## হৈরোক লোকল কনফরেন্স

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : সি পি আই হৈরোক লোকলগী নোংমগী ওইবা কনফরেন্স অমা থা অসিগী ২৬ তা হৈরোক পার্ট ১ দা লৈবা মোইরাংথেম শ্যামকেসোগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে হায়না হৈরোক লোকল কাউন্সিল সি পি আইগী কনভেনর খুন্দোংবম মণি য়াইম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মীফম অদুদা লুক্রাম চন্দ্র, নিংথৌজম লুন্দ্রে অমসুং ষ্টেট এগজিক্যুটিব মেম্বর নবনা মথং শিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিডেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

## তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : আর্ট এন্দ কলচর একাদেমী থৌবালগী ১৩ শুবা মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ২৪ দা নিমাইচান্দ এন্দ কৈন্যা হায় স্কুলগী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হন্দক্তা ওদিসাগী কট্টকতা পাঙথোকখিবা গ্লোবেল থিয়েটর ফেষ্টিভেল ২০১৮ তা চনম গম্ভিরনা ইবা রত্ন লৈশাংথেম্না লমজিং লমতাকপা প্লে উচেক লাংমৈনা ফোক টেল সোর্ট ড্রামা কম্পিটিসনদা অনিশুবা মনা লৌরকপা অমসুং ফোক সোং কম্পিটিসন্দা পেনাদা ৱাংজম রাকেসনা অহানবা মনা ফংলকপা অমসুং চহি অসিগী নত্রিয়া রতন এৱার্দসু রতন লৈশাংথেমদা পীরকপদা তরাম্না ওকখ্রে হায়রি।

## লৈঙাক্তা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : ডিভলপমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন য়ুনাইটেদ ভল্টরি ওর্গনাইজেসন নম্বোলনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৬ তা নম্বোলগী হাও কৈথেলদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা নম্বোল মায়কৈদা ঈশিং-ঈচাওনা অৱাবা মায়োক্লুহল্লিবা অসি কোক্লবা নম্বোল তুরেল, মেরাখোং তুরেল, নম্বুল তুরেল অমসুং ৱাইসেল মরিল অমদি অতোপ্পা মশা-মরেংশিংগী খোঙনুংশিং অমদি তোৰ্ব্বানশিং তেংনবা অমদি শেমজিনবীনবা লৈঙাক্তা তকশিনবা হায়না ৱারেপ্লখ্রে হায়রি।

## এন এস সি এন (আর) দগী তান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : গভর্ণমেন্ট ওফ এন এস সি এন/ জি পি আর এন, রিফোর্মিষ্টিতগী দুলোং (মতুম) ভিলেজতা লৈবা দুন্দাল পামৈ এলাইজ রিঙ্গো পামৈ অপোকপা দিজুগ পামৈবু পার্টি অসিগী প্রাইমরি মেম্বরসিপতগী থা অসিগী ৯ দা তান্থোকখ্রে হায়না জেলিয়াংলোং রিজন এন এস সি এন/জি পি আর এন (রিফোর্মেসন) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## ওপন মরাথোন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : লুক্রাম লৈরক য়ুথ ক্লবনা শিনবা ৩৫ শুবা এন্যুয়েল য়াওশং স্পোর্টকা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা ৩ রক শুবা থিয়াম কুমারি ষ্টেট লেভেল ওপন মরাথোন থা অসিগী ৬ তা পাঙথোক্লগনি। শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ৪ ফাওবগী মনুং ফাওবদা এন্ট্রি ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

মরাথোন অসিগী অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা মনাদা লুপা লিশিং ১০, ৭ অমসুং ৫ ওইগনি হায়রি।

## মৈরা খোঙচৎ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : নহারোল লৈশেম্বা ক্লবনা শিন্দুনা চত্থরকপা ৭ রক শুবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক থিংনবগী খোঙচৎ মৈরা রেল্লি অমা লাক্লিবা মার্চ ১ গী নুমিদাংদা চৎকনি হায়রি।

## নেসনল সাইন্স ডে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : এডভান্স লেভেল ইন্সটিট্যুস্নেল বাইওটেক হব অমসুং এস কুলা ৱুমেন্স কোলেজ নম্বোল অনিনা পূন্না শিন্দুনা ডিপার্টমেন্ট ওফ বাইলটেক্নোলোজিগী শেন্থং মখাদা ঙসি এস কুলা ৱুমেন্স কোলেজদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরম অদু ডা: এল বিরেন্দ্রকুমার রিটয়র এডিস্নেল ডিরেক্টর ডিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এডুকেসন (য়ু) না হৌদকোখি অমদি ডা: এন জয় কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনা প্রিসাইট তৌখি অমদি পিজিক্স ডিপার্টমেন্টকী হেড দল্লিয়ু নিমাইশু শরুক য়াখি।

## উতম্বু তরাম্না ওক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : আর্ট এন্দ কলচর ডিপার্টমেন্টতা ডিরেক্টর ওইনা এন জি উতম, এম সি এসপু হাপ্লকপদা রিসর্চ ফোরম (রিফোম) মণিপুরনা চরাম্না ওক্লি হায়রি।

কলচরগী পোলিসি লৈত্রিঙৈ মতম অসিদা মীৎয়েং শানবা এম সি এস অমনা ডিরেক্টর ওইরকপদা রিফোমনা থাগৎপগা লোয়ননা তরাম্না ওক্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# য়াওশং কুম্মৈনা লাকপদা য়াইফ পাওজেল পীনরক্লি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : হিন্দুশিংগী খ্বাইদগী চাওবা য়াওশং কুম্মৈনা লাকপদা লাইনিং অসিবু চৎপা মীয়ামদা হরাও-তয়াম্বগা লোয়ননা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিডেন্ট টি এন হাওকিপকী য়াইফ পাউজেলদা হায়, মখল মথেল কয়ানা লৈতেংলবা মচুগী কুম্মৈ, হোলি, য়াওশং কুম্মৈ, লমতা থাগী পুর্ণিমা লাক্লিবা মার্চ ২ দগী হৌরগনি।

অরিবা উনা-ৱানানা কেনখ্রবা অনৌবা য়েন্নিং হুন্দুনা হৈপাল-লৈপাল শাংপা হৌরকপা মতম, পূক্লিং হুনা নিংথিরবা লমতা থাগী পুর্ণিমাদা পাঙথোকপা য়াওশং কুম্মৈ অসিনা মীয়ামদা অনৌবা মংলান অমদি অনৌবা লম্বী পীবা ওইরসনু হায়রি।

ফুরুপ কয়ানা পূল্লগা খুন্দামীন্নরিবা লমদম অসিদা কল্লক- য়েংথিনবা থাদোক্তুনা অমত্তা ওইবা ৱাখলদা ঐখোয় পুন্না নুংশি-চান্ননা হীংমীন্নবা, হাৎন-শুনা য়াওদবা, চাওখৎপা-ঈং-তপ্পা ঈরমদম মণিপুর অমা য়াওশং কুম্মৈ অসিনা পীবিবা ওইরসনু হায়না য়াইফ পাউচেল পীরক্লি।

এক্স ডেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম্নসু য়াওশং কুম্মৈগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

ওল ইন্দিয়া ত্রিনমুল কোংগ্রেসকী প্রসিডেন্ট ডা: এস মনাওতোন্নসু য়াওশং কুম্মৈগা মরী লৈননা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

এ আই টি সি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি (মিডিয়া এফিয়রস) আর কে মহাবিরনা থোকপা চরোল অমনা হায়, চহি অসিগী পাঙথোক্কদৌরিব য়াওশং কুম্মৈ অসিনা নুংঙাইবা, ঈং-তপ্পা, ফুরুপ পূম্নমকপু অমত্তা ওইনা নুংশি-চান্ননা লৈমীন্নবা, হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎপা অমসুং ফুরুপ পূম্নমকপু ইমোস্নেল ইটিগ্রেসন পুরক্তুনা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা হায়বদু ওইরসনু। মচুগী কুম্মৈ অসিনা লাকপদা সোসিও পোলিটিকেলগী মরা চেংনা লৈরসনু হায়রি

অমরোমদা য়াওশং কুম্মৈগা মরী লৈননা এস পি থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী ও সি ঐচ রিসিকেসনা লুচিংদুনা ঙসিদগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা পুলিসকী টিম অহুম খায়দোক্তুনা ট্রাফিক দ্রাইভ চত্থবা হৌখ্রে।

থৌবালগী মেলা গ্রাউন্দ লমখায়দা চত্থখিবা দ্রাইব অমদা ও সি রিসিকেসনা ফোঙদোরকপদা, য়াওশং কুম্মৈ মনুং অসিদা অপামদবা থৌদোক কয়াদগী খরা মখে ঙাকথোকপা ঙম্নবা, নহা ওইরিবা কয়ানা ময়াই কাবা চিঙ্গাক শিজিন্নদুনা গাড়ি থৌরকপা, গাড়িগী চে-চাং শুদবা অমদি গাড়িদা টিনটেদ গ্লাস শিজিন্নবা কয়া কুপ্না য়েংশিনগনি। দ্রাইভ অসি য়াওশঙ কুম্মৈ লোইদ্রিবা ফাওবা নুমিৎ খুদিংগী চত্থগনি হায়রি।

নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপনা য়াওশং কুম্মৈ পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা লমদম অসিগী চৎনবী, নাৎ নত্তবা অবের তৌনবা অমদি ঈশিং হৈজিন্নবা, লম্বী-লমজাওদা অঙাংশিংদগী হৌরগা লৈশাবীশিং ফাওবনা অচৎ-অওকশিং থৎতুনা শেল খায়বনচিংবা খুন্নাই অসিবু লান্না চৎখিনবা থৌওং চত্থরিবা অসি লেপ্নবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

য়াওশং কুম্মৈ মনুংদা খুন্নাইগী চৎনবী অসিনা মীপুম খুদিংমক্কী মহৌশাগী পুন্সিদা অৱা চৈথেং পীরিবা অসিদগীসু কোকহন্নবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি। থাবল চোংলিবশিংনা ফিরোল শেৎপা মতমদসু য়েংবা নুংঙাইতবা ফিরোল শেৎত্তনবা ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লমদম অসিগী মমা ওইবীশিংনসু মচাশিংগী ফিজেৎশিং য়েংশিনবীয়ু হায়রি। য়াওশং কুম্মৈগী মিংদা ময়াই কাবা চিঙ্গাক শিজিন্নদুনা লমদম অসিগী মশক থিহনগনু হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ইমর্জেন্সি লোশিং রিপিল তৌনবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : ষ্টেট লেভেল মিট ওন প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইট ডিফেন্দর্স ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

সেন্টর ফোর রিসর্চ এন্দ এদভোকেসি মণিপুর, হ্যুমেন রাইট ইনিসিয়েটিভ অমসুং য়ুথ ফোরম ফোর প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইট ইন মণিপুরনা পূন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা য়ু নোবোকিশ্বর সেক্রেটরি সেন্টর ফোর সোসল ডিভলপমেন্টনা হায়খি, হ্যুমেন রাইট ডিফেন্দরশিংনা হ্যুমেন রাইট ঙাক্লবা পান্দমদা হেন্না থবক চঙশিল্লক্লি। আর্মদ ফোসেস স্পেসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ নচিংবা দ্রাকোনিয়ান লোশিংবু রিপিল তৌনবা তকশিল্লক্লি। মণিপুরদদি হ্যুমেন রাইট ভাইওলেসন তৌবগী ৱারোলশিং ফোঙদোকপা ওর্গনাইজেসন অদুদা কিহনবা অমসুং অথিংবা থল্লি। হৌখিবা জানুৱারী ১০ দা সি এস ডিগী থবক তৌরিবা ওফিসিয়েল-শিংগী ময়ুমদা য়ুনিফোর্ম অমসুং ফিজম শেৎপা সেক্যুরিটি ফোর্সকী মীওইশিংনা চঙশিল্লত্তুনা থিবা-হুম্বগী থবক চত্থবা লৈখ্রে।

মমাং চহিগী অগষ্ট ২ অমসুং ৪ দসু সি আর পি এফকী মেম্বরনি হায়না শত্তাকচবা মীওই ২ লাক্তুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিডেন্টগা উন্নদুনা ওর্গনাইজেসন অসিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী অকুপ্পা মরোলশিং হংখি হায়রি।

মণিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্স মেম্বর য়াম্নেম লাবনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট হ্যুমেন রাইট কম্মিসন অসি অমুক হন্না হিংগৎহন্দুনা মণিপুরগী হ্যুমেন রাইটকী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনগদবনি। আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ না অয়াবা পীদুনা হ্যুমেন রাইট ভাইওলেসন তৌবগী থৌদোক কয়া মণিপুরদা মায়োক্লরি।

ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী প্রসিডেন্ট পি ঐচ দেবান্না হায়খি, চুংখাম সঞ্জিৎপু মণিপুর পুলিসকী কম্মান্দোশিংনা কুমজা ২০০৯ গী জুলাই ২৩ দা এক্সত্রা জুডিসল এক্সজ্যুকিসন চত্থখিবনচিংবা ষ্টেট টেরোরিজমগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা হ্যুমেন রাইট ডিফেন্দরশিংবু ফাদুনা নেসনল সেক্যুরিটি এক্ট ১৯৮০ অমসুং অনলোফুল এক্টিভিটিষ্ট প্রিভেন্সন এক্ট ১৯৬৭ কী মখাদা ফাজিন্দুনা থম্মী অমসুং মীওই কয়াবুনা ওৎ নৈবী। হৌজিক ফাওবা গভর্ণমেন্টনা আর্ম ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ পু রিপিল তৌবা ঙমদনা লৈরি।

এডিটর গিল্ড মণিপুরগী প্রসিডেন্ট অহোংশাংবম মোবিনা হ্যুমেন রাইট ডিফেন্দরশিংনা লৌরিবা মরু ওইবা থৌদাংশিংবু শিংথাখি। মণিপুরগুম্বা আর্মদ কনফ্লিক্ট লৈবা মফম অমদা হ্যুমেন রাইট ভাইওলেসন তৌবগী থৌওংশিং লেপহন্নবা অমসুং ৱায়েল চত্থনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি।

পিছ কোর টিম মণিপুরগী কনভেনর অরাম পামৈনা ফোঙদোকখিবদা, য়েলহৌমীশিংবু রিকগনাইজ তৌবগী মহুত্তা লম অমসুং রিসোর্চশিংগী ফংফম থোকপা রাইটপু শকখঙদ্রি।

কম্মিটি ওন দি প্রোটেক্সন ওফ নেচরেল রিসোর্সেস ইন মণিপুরগী কনভেনর পামৈ তিংনেনলুংনা ফোঙদোকখিবদা হ্যুমেন রাইট ডিফেন্দরশিংনা লম অমসুং নেচরেল রিসোর্সেস ঙাক্লবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। ওইল এক্সপ্লোরেসন অমসুং মেগা দামশিং শারিবা অসিগী মায়োক্তা লৈবা মীওইশিংবু ইন্দিয়া আর্মদ ফোর্সকী পার্সোনেলশিংনা তাথি-তাওইনা তৌবি। হ্যুমেন রাইট ডিফেন্দরশিংদা ইন্টিলিজেন্স ডিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা চেকশিন্না য়েংশিল্লি।

কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটকী কনভেনর ফুলিন্দ্রো কোন্সম্না হায়খি, মণিপুরগুম্বা আর্মদ কনফ্লিক্কী থৌদোক কয়া থোক্লিবা লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিটিগী লোশিং থমজিন্দুনা অমুক্কা হেন্না ভাইওলেন্সকী থৌদোক কয়া থোকহল্লি। মণিপুরদা জেনেভর কনভেন্সন ভাইওলেট তৌরে হায়না মরাল শিখি।

মীফম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা মণিপুরগী হ্যুমেন রাইট ডিফেন্দরশিংদা অতমননা তাথি-তাওইনা তৌরিবা, ওৎ-নৈরিবা অসি লেপহন্নবা লৈঙাক্তা তকশিনবা। ইমর্জেন্সি লো পূম্নমক রিপিল তৌবা। মণিপুরগী হ্যুমেন রাইট ডিফেন্দরশিং অমসুং মীচমবু আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮, অনলো ফুল এক্টিভিটিস প্রিভেন্সন এক্ট ১৯৬৭ অমসুং নেসনল সেক্যুরিটি এক্ট ১৯৮০ রিপিল তৌনবা লৈঙাক্তা তকশিনবা হায়নসু ৱারেপ লৌখি।

# ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শগোলমাংদা অথুবা মতমদা শাবা হৌবিয়ু: বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট, হোস্পিটাল খুন্দ্রাকপম এ সিগী মনুং চনবা শগোলমাংদা অথুবা মতমদা শাবা হৌবিয়ু হায়না বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলনা ফোঙদোরক্লি।

বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলগী প্রসিডেন্ট এস ঐচ নন্দোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মমাংগী লৈঙাক্কী মতমদা কুমজা ২০১১ গী ডিসেম্বর ১৬ তা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং হেল্থ মিনিষ্টরনা কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর অমসুং হোস্পিটাল শগোলমাংবু ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী হোস্পিটাল ওইনবগীদমক উরেপ-উয়ুং তন্বীরমখি। খুন্দ্রাকপম এ সি অসি ডিষ্ট্রিক্ট অসিগী এ সি ৮ গী মনুংদা হীরম কয়াদা শোখবা অমদি হেল্থ সেন্টরদনা অমুক্কা হেন্না মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরিবা এ সি অমনি। এ সি অসিগী তম্পাক্কী শরুকশিং মরু ওইনা লন্নাই, খুরাই অমদি হৈঙাং অদুগা চীংগী ওইনা সাইকুল অমদি সাইকোৎকা থংননা লৈরিবা এ সি অনি খুন্দ্রাকপম এ সি অমসুং শগোলমাং এ সিদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল লৈরবদি এ সিদা লৈরিবা অমদি এ সি অসিগা থংনবা এ সিশিংগী মীওইশিংদা হকথেংননা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংহনবা ঙমগনি। মরম অসিনা শগোলমাংদা ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল থন্বা অসি অচুম্বা খোঙথাং অমনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী সব কি সাথ, সব কি বিকাষ অমদি চীফ মিনিষ্টরগী চীংদা চৎসি হায়বা খোল্লাউবুসু হেন্না মপূং ফাহনগনি। মরম অসিনা এ সি অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা লৈরিবা লুপশিংনা পুকচেল শেংনা হোৎনমীন্নবা চঙই হায়রি। শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাগৎপা হৌনবা তোঙান তোঙানবা এ সিগী লুপশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙথাং অসিবু বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলনা শৌগৎলি। ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শান্নবা মমাংগী লৈঙাক্লা উরেপ-উয়ুং তল্লমখিবা অমদি অনৌবা লৈঙাক্লা মমাং চহীগী ডিসেম্বর ২৩ দা গভর্ণরগী মীংদা সেঙ্কসন তৌরবা মতুং ঙসি ফাওবা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী লৈফম থোকপা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎকদবা হোস্পিটালগী এরিয়াদা লন্নাই মীওই খরনা লমগী কমপেন্সেসন লৌদনা লৈবা অসিনা হোস্পিটালগী লমগী নাখৈ শেংদবা ওইদুনা শেমগৎ শাগৎপদা অপনবা ওইরিবসি লাইবক থিবনি। মফম অসিদা ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবা য়ানবগীদমক মরী লৈনবা খুদিংমক্লা মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট য়েংলগা কো-ওপরেসন পীন্নবসু আপীল তৌরক্লি। লোয়ননা অহোংবা অমসুং অওনবা মণিপুর অমগীদমক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগী অপাম্বা য়েংবীদুনা য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শাবা হৌহনবীনবা গভর্ণমেন্টকী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

# অঙাংশিংগী ওইবা লাইয়েকপা চাংদম্নখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : ফাউন্দর ওফ বোইজ স্কাউট মুভমেন্টকী লোর্দ বদল পৱেলগী ১৬১ শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরম থাখায় অমা চুপ্পা পাঙথোক্লিবা অসিগী মনুং চন্না থা অসিগী ২৭ তা মণিপুর ষ্টেট স্কাউট য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা ষ্টেট হেড ক্বাটর শিংজমৈদা লাইয়েকপা চাংদম্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট স্কাউটস য়ুনিয়নগী জোইন্ট সেক্রেটরি আই জলজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, য়ুনিভর্সেল ব্রদরহুদ হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা লাইয়েকপা চাংদম্নবা অদুদা শরুক য়াখিবা বোইজস স্কাউট অমসুং লেদি কবশিংদা য়ুনিয়ন অসিগী ষ্টেট কম্মিস্নার ৱাই শুরেস অমসুং সব ইন্সপেক্টর টেলিকোম ইরোম জলজিৎনা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি।

লাক্লিবা মার্চ ৮ দগী ৯ ফাওবা নুমিৎ নিনি চুপ্পা ইম্ফালদগী মোরে ফাওবগী ট্রেক্কীং প্রোগ্রাম অমা চত্তুনা লোয়শিনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

## 'লিলোং কৈথেল শাবা হৌবিরো'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : খুরাই লোকল কাউন্সিল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী চহিগী লোকল কনফরেন্স থা অসিগী ২৬ তা খুরাই সাজোর লৈকাইদা লৈবা আর কে অমুসনাগী য়ুমদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা কে মণি, খোমদোন, কে ইবোমচা অমসুং পি ইবোচৌনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। ষ্টেট সেক্রেটরি ডা: এম নরা, ডিপ্যুটরি সেক্রেটরি এল সোতিনকুমারসু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পীথোক্ত্রিবা নেসনল ফুদ সেক্যুরিটি এক্টকী থা ১৫ গী চেং ফংহল্লু হায়না তকশিনখি। অথুবা মতমদা লমলোং কৈথেল শাবা হৌনবা তকশিনখি। কৈথেল অসিবু শিদোক্লগা থল্লক্লিবা চহি ১ রোম ফারক্লে অদুবু হৌজিক ফাওবা শাবা হৌবগী মমি অমত্তা উদ্রি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

খুরাইদা থক্লবা ঈশিং ফংদ্রিবা অসিসু ফংহন্নবা তকশিনখি। কুমজা ২০১৮-১৯ গী থৌ পুনবা মীওই ২৯ না শাবা কাউন্সিল অমা শেম্বগা লোয়ননা টি ঐচ ইনাওবু সেক্রেটরি খনখ্রে। ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমগী খোঙজংদা থৱাই কৎখ্রবা অমদি আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্ট ১৯৫৮ নচিংবা কয়াবু খঙশিন্নদনা লৈরি। মীখল মমাংদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রবদি লাইরিক-লাইশু হৈরবা নহা ক্রোর ২/২ চহি খুদিংগী থবক পীগনি হায়দুনা ৱাশকখিবা অদু চহি ৪ মপুং ফারক্লবা ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্তনা লৈরি হায়না মরাল শীরক্লি।

# অসাম রাইফলসনা সিৱিং মেছিন, সোলর লেম্পশিং য়েন্থোকখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : অসাম রাইফলসকী জ্বালা মুখি বটালিয়ন্না কাঙপোকপী ডিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাইরৌচীং ভিলেজদা সিৱিং মেছিন ৫ থা অসিগী ২৬ তা য়েন্থোকখ্রে।

মরাম বটালিয়ন্নসু ওকলোং ভিলেজদা লৈবা ৱুমেন সোসাইটিদা সিৱিং মেছিন ৩ থা অসিগী ২৫ দা খুদোল তমখি হায়রি। মিলিটরি সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ওপরেসন সদভবনাগী মখাদা সিৱিং মেছিনশিং য়েন্থোকখিবশিং অদুবু মফম অদুদা লৈরিবা মীয়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকখি। অসাম রাইফলসকী বটালিয়ন অসিনা মীয়াম্বু তেংবাংবগী থবক লৌখৎলক্লিবা অসিবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। জ্বালা মুখি বটালিয়ন্না থা অসিগী ২৬ দা কাঙপোকপী ডিষ্ট্রিক্টকী তোলথাং ভিলেজদা সোলর লেম্পশিং য়েন্থোকখ্রে হায়রি। সোলর লেম্প ২৫ খুঞ্জাশিংদা য়োন্থোকখি। অসাম রাইফলসনা লৌখৎলক্লিবা থবক-থৌরমশিং অসিবু খুঞ্জাশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

## 'হোস্পিটালগী বিল্ডিং অথুবা মতমদা শাবিয়ু'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচ এন এস) :শগোলমাংদা ভেটিরিনরি হোস্পিটাল অমা শাগদবা মফম অসি স্কুল অমদি এ ডি সি ওফিসগা পূন্না লৈগদৌরিবনি। স্কুল লৈরিবা মফম অসিদা ভেটিরিনরি হোস্পিটাল থন্বা অসি মফম চাদে হায়দুনা হোস্পিটাল অসি অতোপ্পা মফম অমদা শাবিয়ু হায়দুনা মথৌ তাবা লম ফাওবা শগোলমাং গেৱা কম্পেনিগী মেন্দ রোড ময়াদা পীরবনি হায়রি।

ভেটিরিনরি হোস্পিটাল শাবা অসিদা কম্মিটিনা অথিংবা থল্লে হায়না ফোঙদোকখিবা অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি হায়রি। হোস্পিটাল অসি শাবদা কম্মিটিনা অথিংবা পীবা লৈতে। এডুকেসনগী মরমদা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা স্কুল অহুমখক শারগা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা লৈবা স্কুলশিং লোকল এম এল এনা মীৎয়েং চঙবীদে হায়বা অসিসু য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনী হায়না ফোঙদোরক্লি। এ সিগী এম এল এনা স্কুল কয়া শাখ্রে অমসুং স্কুল কয়া অমসু অপগ্রেদ তৌবা লৈখ্রে হায়রি। মসিদা নত্তনা চহি খুদিংগী লেপ্তুনা নবকুমার মেমোরিয়েল ট্রসনা শিন্দুনা লৈখিদ্রবা এম এল এ টি ঐচ নবকুমারগী মীংদা তোঙান তোঙানবা একজামিনেসনদা মকোক থোংলকপা মহৈরোই অমদি শান্নরোই ১০০ গী মথক্তা ইনসেন্টিভ পিখ্রে হায়রি।

# তেরা লুক্রাম লৈরক্কী লম্বী শেম্বীদ্রবদি লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি: এসোসিএসন



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : শগোবন্দ তেরা লুক্রাম লৈরক সেন্টজোসেফ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মমাংদা হৌখিবা থা ৩ রোমগী মমাংদগী কলর্বত চননবগীদমক তৌথোক্লগা থনম্লগা হৌজিক ফাওবা চনবিনবা লৈরে অমসুং লম্বী অসিগী ফিভম শোক্লা লৈরমপা চহি ৬/৭ শুরকপগা লোয়ননা গাড়ি এক্সিডেন্ট তোইনা থোক্লে মরম অদুনা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওথোরিটিনা য়েংশিনবীয়ু হায়না নুপী ৱিভর্স ৱেলফিয়র এসোসিএসন শগোলবন্দ লুক্রাম লৈরক্লা ফোঙদোরক্লি।

ৱিভর্স ৱেলফিয়র এসোসিএসনগী সেক্রেটরি টি ঐচ মারগরেটনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লম্বী অসি এফ সি আই অমসুং এফ সি এসকী চেং পুবা হেভি ভেহিকল কয়া থৌরিবা মণিপুর মীয়ামগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অসিগী ফিভম কা হেন্না ফত্তবদগী মফম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। অশুক কাইরবা অসি লম্বী অসিগী ফিভম মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীদনা লৈরকপা অসি লুক্রাম লৈরক্তা লৈরিবা মীয়ামগী লাইবক থিবনি।

মাইকৈ অসোমগী মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লম্বী অসিদা কোম কয়া তৌথোক্তুনা থম্বা অসিনা মীয়ামদা খুদোং চাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা লম্বী অসিবু শেম্বা লোইশিনবীয়ু তৌথোক্তুনা থল্লিবা কলর্বত চন্নবা হোৎনরিবা অসিশু অথুবা মতমদা লোইশিনবীয়ু হায়না এসোসিএসন অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

থা অহুমরোমগী মমাংদগী সেন্টজোসেফ স্কুলগী মমাং থংবদা কলবর্ত চন্নবনি হায়না নুং ঙরা থদরম্লগা লেপ্তুনা লৈখ্রে। মতুংদা থা অসিগী ২৫ গী নুংথিলদা নুংশিং অদু লৌখৎতুনা পুরগে, থবক শুররোই হায়না, থবক অসি থিংজিল্লো হায়রম্বগী মরম করিনো হায়না হংলক্লি। মীয়ামদা চমমনবা পোক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি। কলবর্ত অসি অথুবা মতমদা শেম্বা লোইশিনবীদ্রবদি লম্বী থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা এফ সি আই অমদি এফ সি এসকী গাড়িশিং অসি এফ সি এফকী মফম চাবা গ্রাউন্দ অমদা পার্ক তৌবীয়ু। লৈকাই অসিগী লম্বীদা পার্ক তৌদুনা মীয়ামদা অকাইবা পীবিগনু হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

# দিল্লিদা মচু না শিন্দুনা য়াওশং হৌবা নুমিৎতা থাবল চোংগদৌরিবসি অথিংবা থল্লে: জে এস সি সি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৮ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী মপালদা লৈদুনা মহৈ-মশিন তল্লিবা খুন্নাই অসিগী নহাশিংগী লমচৎ-শাজৎ কুপ্না য়েংশিনবা মথৌ তারে হায়না জোইন্ট ষ্টুডেন্টস কো-ওর্দিনেটিং কম্মিটি (জে এস সি সি) না ফোঙদোরক্লি।

জে এস সি সিগী মিডিয়া কো-ওর্দিনেটর এন চেতন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঙাইহাক লৈতনা মেন্দ লেন্দ ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেসিয়ল ডিস্ক্রিমিনেসনগী খোল্লাও লেপ্পা লৈতনা তারিঙৈ মরক্তা হরাও-কুম্মৈদা পূক্লিং লুপশিল্লকপসু উবা ফংই। মমা-মপা অমদি মবুং-মৌপৱাশিংনা শোন্নবিদ্রে হায়দুনা চৎনিংবা চৎপা লাংনিংবা লাংবদগী হেন্দোক্তুনা নুপা নুপী কয়া মহৈ তম্বগী মীংদা কা অমত্তদা ফাওবা পূন্না লৈমীন্নদুনা মচিল-মৌপৱা শাদুনা হোটেল অমদি রেন্টতা লৈমীন্নরম্বগী পাউ কয়াসু ৱাকৎলকপা লৈরে। মরক অসিদা মমাং চহিগী ওক্টোবর ২১ দা মচু হায়বা হরাও-কুম্মৈ মপূং ওইনা পাঙথোক্লবা লিংবা লুপ অমনা দিল্লিগী দসহরা গ্রাউন্দা থাবল শিন্দুনা লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিংগী হকচাং কয়াৎ ফাওনা উবা ফোটো কয়া সোসল মেডিয়াদা থাগৎনরকখিবা অমদি নুপী মানবীশিংসু হকচাংগী কয়াৎ কা হেনজিন্না উৎথোকপা ফিরো শেৎ-চাদুনা কা হেঞ্জিন্না উৎথোকপা ফিরোল শেৎ চাদুনা মরিং-মরাংহনবতা নত্তনা হঙ্গোই তুকৎচবা ফাওহনখি হায়রি।

থৌদোক অদু লৈবাক্কী পাউ ওইহনবগী থৌদাং ওইরিবা মচু হায়বা লূপ অসিনা অমুক য়াওশং হৌবা নুমিৎ লাক্লিবা মার্চ ২ অসিদা থাবল শিন্নবা থৌরাং তৌরিবা অসিদা জে এস সি সিনা অথিংবা থম্বগা লোয়ননা থাবলবু ফেষ্টিভেল অমা ওন্থোকপা হায়বসি জে এস সি সি অমদি লৈবাক মীয়াম্না হকচিন্না লৌই হায়রি।

দিল্লিদা লৈরিবা মহৈরোইশিং অমদি তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈদুনা থবক তৌরিবা ইরৈচাশিংনা মচু হায়বা লন্নাই শেল তান্নবা শেম্বা মানবা লূপ অসিনা থৌরাং তৌরিবা থাবল অসি শৌগৎফম থোক্তে অমদি শরুক য়াবিদনবা জে এস সি সিগী মায়কৈদগী অকনবা ৱাফম থম্লক্লি। করিগুম্বা নমদুনা থাবল শিন্নবা হোৎনরক্লদি জে এস সি সিনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মমিং মথা লৈবাক মীয়ামদা লাওথোক্তুনা খুন্নাইগী ইনাক খুল্লবা কলচর অসিবু মাংহন্নবা হোৎনবনি হায়না লৌগনি। য়াওশং মতমদা থাবল চোংবনি, অকায়বা লৈতে হায়না লৌরবসু মচু হায়রিবা লূপ অসি দিল্লিদা পোকপা লমদম অসিগী ইশ্যুশিংদা শরুক নিংথিনা য়াদ্রিবা লূপ অমনি হায়না জে এস সি সি অমদি লৈবাক মীয়াম্না লৌই হায়রি।

অমরোমদা মপাল লম্বা লৈরিবা অয়াম্বা নুপা-নুপীশিংগী লমচৎ-শাজৎতা কা হেন্না মনিং তম্বনা মখোয়না লমদম অসিদা হল্লক্লবা মতুংদসু হৈনখিবা অমোৎপা লমচৎশিং অদু অদুমক মখা শমথরক্তুনা লৈবাক ৱাথোক ওইহনবা পাউ কয়াসু তাদবা নত্তে। অনৌবা চাওখৎপা খুন্নাইগী মীরোল অমা পুরকপদা নহাশিংগী থৌদাং অশুক্কী মতিক মরু ওইবগা লোয়ননা অৱাংবা থাক্কী মহৈ-মশিনগী কাঙলোন লৈবা মথৌ তাই। লমদমসিদা মতিক চানা মহৈ-মশিন তম্বা য়াবা টেক্নিকেল অমদি প্রোফেস্নেল কোর্সকী ইন্সটিট্যুসন নিংথিজনা লৈতবদগী তঙাই ফদনা মপালদা মহৈ-মশিন তল্লবসু মণিপুরী অমা ওইনা চাওথোকচনা লৈবগী ৱাখল্লোন লৈবা মথৌ তাই। খুন্নাইগী পুন্সিরোলসু ময়েক শেংনা লীক্লম চুম্না খঙবা চঙই। চহি খুদিংগী য়াল্লবা শেনফম কয়া মহৈ-মশিন তম্বদা মীরমদা চৎলিবসি লৈঙাক্লা হায়র অমসুং টেক্নিকেল এডুকেসন্দা অকনবা মীৎয়েং চঙলবদি খরমখৈদি হন্থহন্দুনা খুন্নাইগী শেন্মীৎলোন কনবা ঙমগনি হায়রি। অচুম্বা লীক্লমদা খুন্নাই অসিগী মীরোল অসি পুহৌদ্রবদি হেন্না- হেন্না লৈখা তারক্কনি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙমীন্নবা মথৌ তাই হায়রি।